# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, NOVEMBER 15, 2018 **PAGE 7**



*ঙসিদগী হৌগদৌরিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী কেজি ৬০গী কেটেগোরিগী ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াগদৌরিবী মৈতৈ চনু সরিতা দেবী*

*স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদকী অহানবা ওইনা পার্মেনেন্ট কোচ ওইদুনা কুমজা ২০২১ গী জুন থা ফাওবা ফম পুগদৌরিবা আর্জেন্টিনাগী সান্টিয়াগো সোলরি*



### *ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ*

## মেরি কোমনা পুৱারী ওইরগদবা ৬শুবা টাইটলদা মীৎয়েং থল্লি



*ইন্দিয়াগী টিম লুচিংলিবী নুপী বোক্সর এমসি মেরি কোম*

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৪ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মমাঙদা টাইটল ৫ রক লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সর মেরি কোমনা ৬শুবা টাইটলগীদমক অচৌবা মীৎয়েং থল্লি।

১০শুবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা লৈবাক ৭২ দগী লাকপা বোক্সর ৩০০ না তোঙান-তোঙানবা কেটেগোরিশিংদা টাইটল মুন্নগদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কুমজা ২০০৬ তা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবদা গোল্ড মেডল ৪, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না মেডল ৮ লৌবা ঙমখি।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবী মীয়াম্না মেগনিফিসেন্ট মেরি হায়না মিংথোল পীখ্রবী মণিপুরগী বোক্সর মেরি কোম ইন্দিয়াগী মেম্বর ১০ না শাবা বোক্সিং টিম অসিবু লুচিংখিবনি। মহাক্না ওস্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ান ওপন অমসুং পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টকীসু গোল্ড মেডল লৌবা ঙমদুনা মেরি কোম য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা বোক্সর অমা ওইবা ঙল্লি।

মেরি কোমনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মহাক্কী কেরিয়রগী ৬শুবা ৱার্ল্ড টাইটল অদু লৌনবগী মীৎয়েং থমখ্রবসু ইন্দিয়ান বোক্সিংগী হায় পার্ফোমেন্স দিরেক্তর সান্টিয়াগো নিএভানা মহাক্কী লম্বা ওইগদৌরিবা বোক্সরশিং অদু অরাইবা অমত্তা নত্তে, মহাক্না হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীবগী মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবী ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী মনুংদা মণিপুরদগী হৌখিবী সরিতা দেবীসু অমা ওইরি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিনা মহাক কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা অতোপ্পা লৈবাক্কী বোক্সরশিংগা লম্বা তৌনগনি। সরিতা এসিয়াগী মেডল ৫ রক ফংবা ঙমখ্রবী বোক্সরনি। মেডল ৫গী মনুংদা কুমজা ২০০৬ দা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

ৱুমেন্স ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবী অতোপ্পা বোক্সর ৮ অদুদি পিনকি জঙ্গ্রা (কেজি ৫১), মনিসা মাওন (কেজি ৫৪), সোনিয়া লাথর (কেজি ৫৭), সিমরনজিৎ কোর (কেজি ৬৪), লোভিনা বোরগোহেন (কেজি ৬৯), সাৱিটি বুরা (কেজি ৭৫), ভাগ্যবতি (কেজি ৮১) অমসুং সিমা পুনিয়া (কেজি ৮১ মথক) নি।

নুমিৎ ১০নি চু প্না পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ওলিম্পিক অমসুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মেডালিষ্ট কয়া য়াওরি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গোল্ড মেডল ফংগনি হায়না পানরিবী বোক্সরশিং অদুদি য়ুএসএগী ভির্জিনিয়া ফুচ ( কেজি ৫১), চাইনিজ তাইপৈগী লিন য়ু টিং (কেজি ৫৪), চাইনাগী য়িন জনহুৱা (কেজি ৫৭), ফিনলেন্দগী মিরা পোটকোনেন (কেজি ৬০), চাইনাগী গু হোং (কেজি ৬৯), নেদরলেন্দসকী নৌচকা ফোন্টিজ (কেজি ৭৫), মমাঙগী চেম্পিয়ন চাইনাগী ৱাং লিনা (কেজি ৮১) অমসুং য়াং জিয়াওলি (কেজি ৮১ মথক) নি।

## বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই ৪ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, দবলসতা আর্জুন খাদে অমসুং সাকেট মাইনেনি সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



*ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পি গুন্নেশ্বারন*

*বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ১৪ঃ*

কর্নাতকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা চথরিবা বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই ৪ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, ইন্দিয়াগী দবলস পেয়র আর্জুন খাদে অমসুং সাকেট মাইনেনি সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সাকেট মাইনেনিনা ইজিপ্তকী শান্নরোই ৱাই হোসামবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১-৬, ৬-৩, ৬-১ দা থোইরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সুমিত নগালগা শান্নরগনি।

সুমিত নগালনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা বৃটেনগী জেমস ৱার্দপু স্ট্রেট সেট ৬-৩, ৭-৬(৭-৪) দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী এসকে মুকুন্দ অমসুং পি গুন্নেশ্বারন শান্নরগনি।

এসকে মুকুন্দনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোই বি কাভকিকপু অহানবা সেট টাই ব্রেক্তা ৭-৬(৭-২) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেটসু ৩-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ কাভকিক মশা শোকপদগী মখা তানা শান্নখিদবদগী ইন্দিয়াগী মুকুন্দ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বেঙ্গালুরু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী পি গুন্নেশ্বারননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জর্মনিগী এস ফান্সেলোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪-৬, ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা কানাদাগী বি স্কনুর অমসুং টর্কিগী সি ইলকেল শান্নরগনি। কানাদাগী স্কনুরনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী ক্যু হেলসপু ৬-৪, ৭-৬(৭-৩) দা থোইরম্বনি। অদুগা টর্কিগী সি ইলকেলনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা রোমানিয়াগী জেট বর্গসপু ৭-৫, ৬-৩ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুনিসিয়াগী সিলভা অমসুং কজখিষ্টানগী নিদোয়েসোভ শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র অনী লম্বা তৌনখি। মদুদা আর্জুন খাদে অমসুং সাকেট মাইনেনিনা পি দেব অমসুং পুনাচাবু ৬-৩, ৭-৬(৭-৩) দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ পেয়র ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং ক্রোএসিয়াগী এ সানকিক্কা শান্নরগনি

## মেডিয়া ওর্গনাইজেসন দিস্কোভরিগী সুসান্না দিন্নাগেনা প্রেমিয়র লীগকী চীফ ইকজিক্যুটিভ ওইখ্রে



*লন্দন, নবেম্বর ১৪ঃ*

মেডিয়া ওর্গনাইজেসন দিস্কোভরিগী সেনিয়র ইকজিক্যুটিভ ওইরিবা সুসান্না দিন্নাগেনা প্রেমিয়র লীগকী চীফ ইকজিক্যুটিভ ওইখ্রে।

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ অসিদা রিচার্দ স্কুদামোরনা চীফ ইকজিক্যুটিভ ওইবগী থৌ পুরম্বনি।

প্রেমিয়র লীগকী নৌনা চীফ ইকজিক্যুটিভ ওইখ্রবী সুসান্নে দিন্নেগে মমাঙদা মেডিয়া ওর্গনাইজেসন দিস্কোভরিগী চেনেল অমা ওইরিবা এনিমেল প্লানেটকী হৌজিক-হৌজিক গ্লোবেল প্রসিদেন্ট ওইরিবনি। মহাক মমাঙদা দিস্কোভরি নেটৱার্ককী য়ুকে অমসুং আয়রলেন্দগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বনি।

প্রেমিয়র লীগকী ওর্গনাইজরনা ফোঙদোকখিবদা নৌনা চীফ ইকজিক্যুটিভ ওইবগী ফম পায়খ্রবী সুসান্নে দিন্নেগে মহাক্কী থৌদাং অসি মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তগী হৌগনি। মহাক্না প্রেমিয়র লীগ অসিগী অহানবা নুপীগী চীফ ইকজিক্যুটিভ ওইরি।

সুসান্নেগী লুচিং মখাদা ইংলেন্দগী ফুটবোল এসোসিয়েসন অমসুং প্রেমিয়র লীগকী মরক্তা য়াম্না ফবা মরী অমা লৈনরগনি হায়না ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চীয়রমেন গ্রেগ ক্লার্কনা ফোঙদোকখি।

গ্রেগ ক্লার্কনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রেমিয়র লীগ অসিগী হান্না ইজিক্যুটিভ ওইরম্বা রিচার্দ স্কুদামোরনা হৌখিবা চহী ২০ অসি ফম পায়রকপা অসিদা লৌরম্বা মরু ওইবা থৌদাং অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্না চৎলিবা চহী অসিগী লোইশিল্লকপা ফাওবা ফম অসি পায়খিগনি হায়না ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল বোদি ফুটবোল এসোসিয়েসনগী পাউ অসিনা মখা তারি।

## সান্টিয়াগোনা রিয়েল মাদ্রিদকী কুমজা ২০২১ ফাওবা কোচ ওইরগনি

*মাদ্রিদ, নবেম্বর ১৪ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী মরুওইবা ক্লব অমা ওইরিবা রিয়েল মাদ্রিদতা কুমজা ২০২১ ফাওবা সান্টিয়াগো সোলারিনা কোচ ওইরগনি।

মশাগী চহী ৪২ শুরবা আর্জেন্টিনা মচা সান্টিয়াগো সোলারিনা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়নসু ওইরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী অহানবা কোচ ওইনা কুমজা ২০২১গী জুন থা ফাওবা থৌ পুরগনি হায়না ক্লব অসিদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সান্টিয়াগো সোলারিবু কুমজা ২০২১ ফাওবা স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব রিয়েল মাদ্রিদকী পার্মেনেন্ট কোচ ওইবদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল বোদি স্পেনিস সোক্কর ফেদরেসনা এপ্রুভ তৌরকখিবনি।

## ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু, কিদম্বী স্রিকান্থ অমসুং সমির বর্ম হোং কোং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, সাইনা নেহৱাল লৈহৌরে



*হোং কোং ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রবা ইন্দিয়াগী সিন্ধু (ওই ) অমদি সমির বর্ম*

*কোলুন, নবেম্বর ১৪ঃ*

হোং কোংগী কোলুনদা চথগদৌরিবা য়ুএস দোল্লর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টনদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধু, কিদম্বী স্রিকান্থ অমসুং সমির বর্ম অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা থাইলেন্দগী নিটচাওন জিন্দাপোলবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং গেম ২-১ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা ২১-১৩ দা থাইলেন্দগী জিন্দাপোলবু থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা থাইলেন্দগী জিন্দাপোলগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না খরা পীরকপা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী সিন্ধুবু ২১-১৩ দা থোইখিবদগী শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং গেমদা শান্নরোই অনীমক অকনবা লম্বা মায়োক্নরল্লবা মতুং লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা ২১-১৭ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী সুং জে হ্যুনগা শান্নরগনি। সুং জে হ্যুননা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী আয়া ওহোরিবু ২১-১০, ২১-১২ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সট্টলর সাইনা নেহৱাল ২শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী অকানে য়ামাগুচিগী মখূত্তা ২১-১০, ১০-২১, ১৯-২১ দা মায়থিহৌখি।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক হোং কোংগী শান্নরোই ৱোংবু স্ট্রেট গেম ২১-১১, ২১-১৫ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সট্টলর সৌরব বর্মনা থাইলেন্দগী এস এভিহিংসানোনবু স্ট্রেট গেম ২১-১৭, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন লোংগা শান্নরগনি। চাইনাগী চেন লোংনা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মালেসিয়াগী লিয়ু দিবু ২১-১৬, ২১-১৬ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী পরুপল্লি কাশ্যপপু ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দোনেসিয়াগী গিন্টিংনা ২১-১৬, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই বি সাই প্রনিথসু অহানবা রাউন্দগী মেটচতা থাইলেন্দগী কে ফেটপ্রাদাবনা ১৬-২১, ২১-১১, ২১-১৫ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দিনা থাইলেন্দগী বোদিন ইসারা অমসুং এম জোংজিৎপু ২১-১২, ২১-১৮ দা থোইরমখি।

## ইন্দিয়ানা আয়রলেন্দ থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌনবা হোৎনগদৌরি

*প্রোভিদেন্স, নবেম্বর ১৪ঃ*

ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা আইসিসি ৱার্ল্ড টি-২০ অসিগী হয়েং শান্নগদবা গ্রুপ 'বি' গী অহুমশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোইশিংনা আয়রলেন্দবু থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌননবা হোৎনগদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়ানা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ অনীদা অনীমক মায় পাকপা ঙমদুনা য়াম্না ফজবা ফিভমদা লৈবা ঙল্লি। অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ন্যুজিলেন্দবু য়াম্না চাওবা মায়থিবা পীবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা মেটচতসু পাকিস্থানবু মায়থিবা পীরম্বনি। পাকিস্থানবু মায়থিবা পীবদা হর্মনপ্রিত কোরনা চাওবা মতেং পাঙখিবনি।

নাকল অমরোমদা হয়েং ইন্দিয়াগা শান্নগদৌরিবা আয়রলেন্দগী টিম মমাঙদা মেটচ অনী শান্নখিবদা অনীমক মায়থিদুনা খ্বাইদগী মখৈদা লৈরিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিগী বেট্টিং মায়কৈদা জেমিমা রোড্রিগেজনা টি-২০ কেরিয়রগী অহানবা মেটচ শান্নবদা হাল্ফ সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখি। আয়রলেন্দগা হয়েং শান্নগদৌরিবা অহুমশুবা মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসৱুমেন স্মৃতি মন্ধনা অমসুং ভেদা কৃষ্ণমুর্থিনা রন য়াম্না স্কোর তৌবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

বোল্লিং মায়কৈদা দায়ালান হেমলথা অমসুং লেগ স্পিন্নর পুনম যাদবনা পুন্না ৱিকেট ১০ লৌদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইরি।

## এটিপি ফাইনেলসতা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস সিঙ্গলসতা মায় পাকখ্রে



*মায় পাকখ্রবা স্বিটজরলেন্দগী ফেদরর (ওই) অমদি সর্ভিয়াগী জোকোভিস*

*লন্দন, নবেম্বর ১৪ঃ*

ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চথরিবা এটিপি ফাইনেলসকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস মায় পাকখ্রে, নুপাগী দবলসতা য়ুএসএগী পেয়র মাইক ব্রাইন অমসুং জেক সোকনা ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসপু মায়থিবা পীখ্রে।

এটিপি ফাইনেলস অসিগী লেটোন গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলস মেটচতা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু স্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬-২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতসু স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা য়াম্না ফজনা মখা তানা শান্নবা ঙমখিবদগী থিয়েমগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখি।

এটিপি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা গুগা কুয়েটেন গ্রুপককী সিঙ্গলস মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ শান্নরোই সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরভপু স্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা সেটতা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা জোকোভিসনা ফজবা হেনখিবদগী জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা অনীশুবা সেটতা য়াম্না হেন্না ফজবা ঙমখিবদগী জর্মনিগী শান্নরোই আলেকজেন্দর জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম অনী ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী ৬-১ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখি।

এটিপি ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা নোওলস। নেষ্টর গ্রুপকী দবলসকী মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসএগী মাইক ব্রাইন অমসুং জেক সোকনা অহানবা সিদেদ পেয়র ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাকপু স্ট্রেট সেটতা থোইবা ঙমখি।

অহানবা সেট য়ুএসএগী মাইকব্রাইন অমসুং জেক সোকনা ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা পেয়র অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরকপদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা য়ুএসকী পেয়রনা ওষ্ট্রিয়া অমসুং ক্রোএসিয়াগী পেয়র অদুবু ৭-৬(৭-৪) দা থোইরমদুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।